# এঞ্জেলিগ কার্বরনা কারোলিনা প্লিস্কোভাবু মায়থীবা পীদুনা য়ু এস ওপনগী টাইটল লৌখ্রে



ন্যু য়োর্ক, সেপ্টেম্বর ১১ :
ৱর্ল্ড নম্বর টু সীদ জর্মনিগী এঞ্জেলিগ কার্বরনা মফম অসিদা চথরিবা য়ু এস ওপনগী থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেচতা চেক রিপব্লিক্কী প্লেয়র কারোলিনা প্লিস্কোভাবু ৬-৩, ৪-৬, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌখ্রে। কার্বরনা মায় পাকখিবা অসিনা সেরেনা ৱিল্লিয়মসতগী নম্বর ৱান রেঙ্কিং অদু মহাক্না নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফংলগনি।

মশাগী চহী ২৮ শুরবা জর্মন অসিনা চৎলিবা চহী অসিগী জন্যুৱারী থাদা পাঙথোকখিবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী টাইটল লৌখিবনি। মহাক্না য়ু এস ওপন টাইটল লৌখিবা অসিনা চহী অসিদা মেজর টাইটল অনীরক লৌবা ঙম্বসু ওইরে।

প্লিস্কোভানা ওপন অসিগী সেমী ফাইনেলদা সেরেনা ৱিল্লিয়মসপু মায়থীবা পীখিবা অদুনা জর্মন অসিনা অনৌবা রেঙ্কিংদা মকোক চিংনা লৈরগনি হায়বসি মাঙজৌননা থাজবা লৈখ্রবনি।

কার্বরনা মেচ লোইরবা মতুংদা হায়খি, হৌজিক্তি ঐগী মঙলান অদু অচুম্বা ওইরে অমদি ঐনা মিৎকুপ অসি লুম্না লৌরি। মসি থাজনিঙাই অমদি নত্তে। ঐনা মফম অসিদা অনীশুবা গ্রান্দ স্লাম ট্রোফিগা লোয়নননা লেপ্লি অমদি মসিমক তৌনবা ঐনা মঙলান শাগৎখি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

মশাগী চহী ২৪ শুরবা প্লিস্কোভানা চহী অসিদা দব্লিয়ু টি এ টূরদা এস ৪৪৭ কন্দুনা মাঙজিল থানা ওপন অসিগী ফাইনেলদা চঙলকখিবনি। চেক অসিনা অহানবা সেটতা অনফোর্স ইরর ১৭ তৌখি অমদি দিসাইদরদা ৩-১ দা মাঙজিল থাদ্রিঙৈ অনীশুবা সেটতা নিংথিনা খুৎ হনখিদুনা ৱিন্নর ১৭ কনখি।

জর্মন অসিনা ৩-৩ দা অমুক লেভেল মান্নহনখি অদুবু মহাক্কী মশক থোক্লবা ফোরহেন্দশিং শিজিন্নখিদুনা অমুক হন্না মাঙজিল থানা চৎখিবদা মচেং ওইখি। অরোইবা সেটতা ৪-৪ দা লৈখ্রবা মতুং কার্বরনা হেন্না মশক থোকপা পার্ফোমেন্স পীরকখিদুনা মেচ অদু মায় পাকখি।

কুমজা ১৯৯৬ তা ষ্টেফি গ্রাফনা টাইটল লৌখ্রবা মতুং কার্বরনা য়ু এস ওপনগী টাইটল লৌবা ঙম্বা অহানবা জর্মন ওইখ্রে।

অমরোমদা, ওপন অসিগী থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা নুপাগী দবলস ইভেন্টকী ফাইনেলদা বৃটেনগী জেমী মরে অমদি ব্রাজিলগী ব্রুনো সোরেসনা মখোয়গী মায়োক্নখিবা স্পেনগী জুরাবু মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌখি।

মরিশুবা সীদ মরে-সোরেসনা অনসীদেদ স্পানিয়র্দ পাব্লো কারেনো বুষ্টা অমদি গুইলরমো গার্সিয়া-লোপেজবু ৬-২, ৬-৩ দা মায়থীবা পীখি।

মরে অমদি সোরেসনা চৎলিবা চহী অসিগী জন্যুৱারী থাদা পাঙথোকখিবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী দবলস টাইটল লৌদুনা মখোয় অনীনা জুরা শেমদুনা শান্নরকখিবগী অহানবা গ্রান্দ স্লাম টাইটল লৌবসু ওইখিবনি। ফাইনেল অদুদা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন নিকোলাস মাহুট অমদি পিয়র-হগস হবার্টপু মায়থীবা পীখিবনি।

পনবা য়াই, জেমী মরেগী ব্রদর এন্দি মরেনা হৌখিবা কুমজা ২০১২ দা ন্যু য়োর্কতা সিঙ্গলস টাইটল লৌখিবদা নত্তনা হৌজিক চথরিবা ওপন অসিগী ক্বার্টর ফাইনেলদা জপানগী কৈ নিশিকোরিগী মখুৎতা মায়থীদুনা লৈহৌখিবনি।

পনবা য়াই, ৱর্ল্ড নম্বর ৱান সেরেনা ৱিল্লিয়মসনা মফম অসিদা চথরিবা য়ু এস ওপনগী শগোলশেল নুমিৎতা শান্নখিবা সেমী ফাইনেল মেচতা কারোলিনা প্লিস্কোভাগী মখুৎতা মায়থীদুনা লৈহৌখিবগা লোয়নননা মহাক্কী ২৩শুবা গ্রান্দ স্লাম টাইটল লৌনবা পান্দম থমখিবা অমদি চয়োল ১৮৭ থংন-থংননা মায় পাকপগী রেকোর্দ থম্নবা মিৎয়েং অদু খাঙতপ্তা লোইশিনখিবনি।

চেক রিপব্লিক্কী ১০শুবা সীদেদ প্লিস্কোভানা মহাক্কী অহানবা গ্রান্দ স্লাম সেমী ফাইনেলদা সেরেনা ৱিল্লিয়মসবু ৬-২, ৭-৬ (৭/৫) দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখি।


প্লিস্কোভানা ওপন অসিগী ফাইনেলদা জর্মনগী এঞ্জেলিগ কার্বরগা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি। ৱিল্লিয়মসনা জর্মন অসিবু ৱিমব্লেদন ফাইনেলদা মায়থীবা পীখি। কার্বরনা ওপন অসিগী শান্নখিবা অতোপ্পা মেচ অমদা কারোলিন ৱোজনিয়াক্কিবু মায়থীবা পীদুনা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইবসু ঙমখিবনি।

ৱিল্লিয়মসনা মায়থীহৌখিবা অসিনা মহাক্না চহী অহুম ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইদুনা লাকখিবা অদু লোইশিনখি অমদি য়ু এস ওপনদা থংন-থংননা অনীরক সেমী ফাইনেলদা মায়থীদুনা লৈহৌবসু ওইখি।

অমরোমদা, য়ু এস ওপনগী শগোলশেল নুমিৎতা শান্নখিবা মেচ অমদা জর্মনগী এঞ্জেলিগ কার্বরনা কারোলিন ৱোজনিয়াক্কিবু ৬-৪, ৬-৩ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখিবনি।

জর্মনগী লেফট-হেন্দর অসিনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা থোক্কদৌরিবা অনৌবা রেঙ্কিংদা ৱর্ল্ডগী নম্বর ৱান ওইরগনি। মহাক্না অনৌবা রেঙ্কিংদা নম্বর ৱান ওইগদৌরিবা অসি শগোলশেল নুমিৎকী অঙনবদা শান্নখিবা সেমী ফাইনেলদা চেক্কী ১০ শুবা সীদ কারোলিনা প্লিস্কোভানা টোপ সীদ অমেরিকাগী সেরেনা ৱিল্লিয়মসবু মায়থীবা পীখিবদগীনি।

# ইন্দিয়ানা মশা-মউ ফত্তবা শান্নরোয়শিং রিও ওলেম্পিক্স গেমসদা থাখি : সাই



ন্যু দেল্লি, সেপ্টেম্বর ১১ :
ইন্দিয়ানা মশা-মউ ফত্তবা শান্নরোয়শিং রিও ওলেম্পিক্স গেমসদা থাখি হায়না স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা কৌখিবা রিপোর্টতা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া (সাই) না ফোঙদোকখিবগা লোয়নননা লৈবাক অসিগী মকোকথোংনা লৈবা শান্নরোয়শিংবু ট্রেন তৌনবগীদমক ৱাইদুনা শিজিন্নরিবা ফোরেন কোচশিংগী পার্ফোমেন্সতা অকনবা মিৎয়েং চঙনবসু মিনিষ্ট্রিগী পুক্নিং চিংশিনখ্রে।

স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া (সাই) না মমাঙ থাদা পাঙথোকখিবা রিও ওলেম্পিক্স গেমসদা ইন্দিয়ানা পীখিবা পার্ফোমেন্স অদু রিভিয়ু তৌখিবনি। গেমস অদুদা ইন্দিয়াগী এথলেট ১১৮ না শাবা অরিংবা কন্টিঞ্জেন্ট অমা থাখিবদা মেদল অনীখক্তমক পুরগা হল্লকখি। মেদল অনী অদু পি ভি সিন্ধুনা বেদমিন্টনদা সিলভর মেদল অমা অমসুং সক্ষি মালিকনা রেষ্টলিংদা মেদল অমা লৌরকখিবনি।

পাউগী সোর্সশিংনা হায়, রিপোর্ট অদু ইরাই নুমিৎতা পীখৎখি অমদি ফোরেন কোচশিং ৱাইবদা য়াম্না চেকশিনগদবনি হায়না রিকম্মেন্দ তৌখি। রিপোর্ট অদুদা নেসনেল লেভেল কোচিং কেম্প অদু অককন্না মহয় চানবা তৌগদবনি অদুগা রুটিন মেন্নরদদি তৌরোইদবনি হায়বরোমদা অহেনবা মিৎয়েং থমখি। কেম্পশিং পাঙথোকপদা চহী চুপ্পা লেপ্তুনা পাঙথোকপগী মহুৎ ষ্টেগর মেন্নরদা পাঙথোকপনা হেন্না ফৈ হায়রি।

রিও গেমস লোইখ্রবা মতুং অথুবদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লাক্কদৌরিবা মথংগী ওলেম্পিক্স অহুমদা মশক থোক্না শান্নরোয়শিংনা শরুক য়াবা ঙম্নবগীদমক অকনবা থবকশিং লৌখৎনবগীদমক টাস্ক ফোর্স শেল্লগনি হায়না লাউথোকখ্রবনি। প্রাইম মিনিষ্টর ওফিসনা স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিদা ইন্দিয়ানা রিও ওলেম্পিক্সতা অনেম্বা পার্ফোমেন্স উৎখিদুনা নিংবা কায়না হল্লকখিবগী অকূপ্পা রিপোর্ট পীরক্নবা খঙহনখিবনি। গেমস অদুদা পি ভি সিন্ধু, সক্ষি মালিক অমদি মরিশুবা পোজিসন তারকখিবা জিম্নাষ্ট দিপা কর্মাকরখক্না থম্মোয় পেন্নিংঙাই ওইবা পার্ফোমেন্স পীখিবনি।

মিনিষ্ট্রিনা শগোলশেল নুমিৎতা ইন্দিয়ানা নিংবা কায়না রিও গেমসদগী হল্লকখিবা অদুগী মতাংদা পাক চাউনা থিজিনবা হৌরে হায়না ফোঙদোকখি। মিনিষ্ট্রিনা থাদোরকখিবা চেরোল অমদা স্পোর্টস মিনিষ্টর ভিজয় গোয়েলনা রিও ওলেম্পিক্স, ২০১৬ তা ইন্দিয়ানা পীখিবা পার্ফোমেন্স অদু মিনিষ্ট্রি মশামক্না য়েংশিন্নবা ৱারেপ লৌরে অমদি য়েংশিনবগী থবক মাঙজৌননা হৌরে হায়নসু ফোঙদোকখি।

নিংশিংবা য়াই, ইন্দিয়ানা রিও ওলেম্পিক্স গেমসদগী মেদল অনীখক্তমক লৌরগা নিংবা কায়না হল্লকখিবগী মরম করি লৈবগে হায়বদু য়েংশিনবা হৌরে হায়না স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা শগোলশেল নুমিৎতা লাউথোকখিবগা লোয়নননা চহী মরি মরি লৈরগা পাঙথোকপা এক্সট্রাভগেঞ্জা অদুদা শরুক য়াখিবা এথলেটশিংদা মখোয় মখোয়গী ফীদবেকস অমদি সজেসনশিং পীরক্নবসু খঙহনবা লৈখ্রবনি।

মিনিষ্টরনা রিও ওলেম্পিক্স ২০১৬ তা শরুক য়াখিবা এথলেটশিংদা তোঙান-তোঙানবা চিঠিশিং ইদুনা মখোয়গী ওইবা ফীদবেকস অমদি সজেসনশিং পীরক্নবা খঙহনখি। মহাক্না মখোয় মখোয়না ফোঙদোক্লিংবা ফীদবেকস অমদি সজেসনশিং অদু মতম অমদা হেক্তা মশা মশানা নৎত্রগা ঈ-মেইলগী খুথাংদা মনিং তম্না ফোঙদোরকপা য়াগনি হায়নসু ফোঙদোকখিবনি।

মিনিষ্ট্রি অসিনা রিও ওলেম্পিক্সতা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়ন কন্টিঞ্জেন্টদা য়াওখিবা মখল-মখাগী মেম্বরশিংগী থৌদাং অমদি দাইত্বশিং অদুসু য়েংশিনগদৌরি। মিনিষ্ট্রি অসিনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা মশক নাইরবা একাদেমিশিং অমদি সাই সেন্টর খরদা চত্তুনা মফম অদুদা লৈরিবা শান্নরোয়শিংগী ট্রেনিং তৌনবগী খুদোংচাবশিং অমদি মখোয়গী ইম্প্রুভমেন্টগী মথৌ তাবশিং অদু অহানবগী ওইনা খঙদোক্লনি।

চৎলিবা থা অসিগী ১৭ তা মিনিষ্টরনা হায়দ্রবাদতা লৈবা গোপিচান্দ বেদমিন্টন একাদেমীদা চত্তুনা প্লেয়রশিং, কোচশিং অমদি অতোপ্পা মতেং পাংবা মীওইশিং উনগনি। মহাক্না সাই সেন্টর, হায়দ্রবাদতসু চৎকনি হায়রি।

# ফিফাগী চীফ ইনফান্টিনোনা সেপ্টেম্বর ২৭ তা গোৱাদা লাক্কনি



পনাজি, সেপ্টেম্বর ১১ :
মালেমগী ফুটবোল মশান্নগী গভর্ণিং বোদি ওইরিবা ফিফা কাউন্সিলগী অহেনবা এ এফ সি মেম্বর অহুম খন্নবগীদমক সেপ্টেম্বর ২৭ পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ন ফুটবোল কনফিদরেসন (এ এফ সি) গী এক্সট্রাওর্দিনরি কোংগ্রেসতা শরুক য়ারনবগীদমক ফিফাগী প্রসিদেন্ট গিয়ান্নি ইনফান্টিনোনা গোৱাদা লাক্কনি।

এ এফসি এক্সট্রাওর্দিনরি কোংগ্রেসতা শরুক য়ানবগীদমক ইনফান্টিনোনা সেপ্টেম্বর ২৭ তা গোৱাদা থুংলগনি অমদি নুমিৎ অসিমক্তদা ফিফাগী হেদ ক্বার্টর স্বিটজরলেন্দদা অমুক হনখিগনি হায়বগী থাজবা লৈরি হায়না ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ) গী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

এ এফ সি এক্সট্রাওর্দিনরি কোংগ্রেসকী মনুং চন্না পাঙথোক্কদৌরিবা মীখলগীদমক কেন্দিদেট মঙানা লম্বা তৌনগনি। লম্বা তৌনগদৌরিবা কেন্দিদেটশিং অদুদি চিনা পি আরগী জাং জিয়ন, ইস্লামিক রিপব্লিক ওফ ইরানগী অলি কাফাশিয়ন নাইনি, কোরিয়া রিপব্লিক্কী মোং গয়ু চুং, কাটারগী সাউদি এ অজিজ অল-মোহন্নাদি অমদি সিঙ্গাপুরগী জাইনুদিন নোর্দিননি। মীখল অসিদা ফিমেল কাউন্সিল মেম্বর অমগী সিটকীদমকসু ভোট থাদনগনি। হায়রিবা সিট অসিগীদমক লম্বানরিবশিংনা ওষ্ট্রেলিয়াগী মোয়া দোদ, বংলাদেশকী মাহফুজা অখটর অমদি দি পি আর কোরিয়াগী হান উন গয়োংনি।

রিফোর্ম তৌনবা লৌখৎলক্লিবা অসিগী শরুক অমা ওইনা ফিফানা হায়, মসিগী এক্সিক্যুটিব কম্মিটি মেম্বর ২৪ লৌথোক্লুগা সিট ৩৭ কী কাউন্সিলনা মহুৎ শিনগনি।

মীখল পাঙথোক্কদবা নুমিৎতা ফিফাগী চীফনা দেলিগেটশিংগা ইন্টরেক্ট তৌনগনি অমদি কুমজা ২০১৭ কী অন্দর-১৭ ৱর্ল্ড কপকী লোগোদা নত্তনা অনৌবা এ আই এফ এফকী লোগোসু রিলিজ তৌগনি।

অমরোমদা ফিফাগী ৱাঙাঙলোয় অমনা ফোঙদোকখিবদা ফিফাগী প্রসিদেন্টনা ইন্দিয়াদা পাঙথোক্কদৌরিবা এ এফ সি কোংগ্রেসতা শরুক য়ারগনি হায়বগী কনফার্ম তৌরে। অদুবু মহাক্না গোৱাদা লাকপগী এজেন্দাদি মতমগী মতুং ইন্না কনফার্ম তৌগনি হায়খি।

# মিনিষ্ট্রিনা বোক্সিং ফেদরেসনগী মীখলগীদমক ওবজার্ভর হাপখ্রে



ন্যু দেল্লি, সেপ্টেম্বর ১১ : নৌনা শেমখ্রবা বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী খৌরাংনা ঙাইদুনা লাক্লবা সেপ্টেম্বর ২৫ দা মুম্বাইদা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখলগীদমক স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা মসিগী ওবজার্ভর হাপখ্রে।

মিনিষ্ট্রি ওফ য়ুঠ এফেয়ার্স এন্দ স্পোর্টস (এম ৱাই এ এস), গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা মুম্বাইদা সেপ্টেম্বর ২৫ দা পাঙথোক্কদৌরিবা বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মীখলদা ওবজার্ভর থানবা ৱারেপ লৌখি হায়না মিনিষ্ট্রিগী ত্বিটরদা ফোঙদোকখি।

বোম্বে হায় কোর্টকী জষ্টিস (রিটয়ার্দ) দি কে দেশমুখবু মীখলগী রিটর্নিং ওফিসার ওইনা হাপখি। বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা অসিগীদমক কেন্দিদেটশিংনা মখোয়গী নোমিনেসন ফাইলশিং সেপ্টেম্বর ১৫ ফাওবগী মনুংদা তৌগদবনি। মীখল পাঙথোক্কদবা ফমশিং অদুদি প্রসিদেন্ট, সেক্রেটরি জেনরেল, ট্রেজরর, জোনেল ভাইস প্রসিদেন্ট ৮ অমদি জোনেল সেক্রেটরি ৮ নি। নোমিনেসনশিংগী ফাইনেল লিষ্টনা সেপ্টেম্বর ২০ দা রিলিজ তৌগনি।

প্রসিদেন্টগী ফমগীদমক দেল্লিগী রোহিট জেইন, হরিয়ানাগী রাকেশ থাকরন অমদি হিমাচল প্রদেশকী রাজেশ ভন্দারিনা লম্বা তৌনগদৌরি। সেক্রেটরি জেনরেলগীদমক্তা মহারাষ্ট্রগী জয় কোৱালি অমদি গোৱাগী লেন্নি দি'গামানা অকনবা লম্বা তৌনরবা য়ারি।

পনবা য়াই, লৈবাক অসিগী বোক্সিংবু য়েংশিল্লিবা এদ-হোক কম্মিটিনা মীখল অসিগীদমক ওবজার্ভরশিং থারক্লবা মালেমগী বোক্সিং মশান্নগী গভর্ণিং বোদি ওইরিবা ইন্টরনেসনেল বোক্সিং এসোসিএসন (আইবা) অমদি ইন্দিয়ন ওলেম্পিক এসোসিএসন (আই ও এ) দা হায়জখিবা লৈখ্রবনি।

মতম অমগী ইন্দিয়ন এমেচর বোক্সিং ফেদরেসন (আই এ বি এফ) গী মীখলদা মণিপুলেসন তৌবগীদমক আইবানা সস্পেন্দ তৌখিবদগী ইন্দিয়ন বোক্সিংগী এদমিনিষ্ট্রেসনদা চনৈনবা ফীভমদা লাকখিবনি। মখা তারকপদা ষ্টেট য়ুনিটশিংনা ঈরাং হৌরকপদগী মহুৎ শিনবা ওইনা থমখিবা বোদি অদু দিজোলভ তৌখিদুনা ইন্টরনেসনেল বোক্সিং এসোসিএসন (আইবা) গী মখাদা শেম্বা এদ হেক কম্মিটি অমনা হৌজিক হৌজিক লৈবাক অসিগী বোক্সিং মশান্নবু য়েংশিন্দুনা লাক্লিবনি।

নিংশিংবা য়াই, মমাঙ থাদা পাঙথোকখিবা রিও ওলেম্পিক্স গেমসদা ইন্দিয়াগী বোক্সর অহুম শিভা থাপা (কে জি ৫৬), মনোজ কুমার (কে জি ৬৪) অমদি ভিকাস কৃষন (কে জি ৭৫) না শরুক য়াখিবদা বোক্সর অমত্তনা মেদল লৌবা ঙমদনা হল্লকখিবনি।

# ইন্দিয়াগী দেভিস কপ টিমদা সুমিট নাগাল হাপচিনখ্রে



ন্যু দেল্লি, সেপ্টেম্বর ১১ : মমাঙগী দবলসকী ৱর্ল্ডনম্বর থ্রি রোহন বোপান্নানা মখুউদা শোকপদগী মফম অসিদা স্পেনগা লম্বা তৌদুনা শান্নগদৌরিবা দেভিস কপ ৱর্ল্ড গ্রুপ প্লে ওফ মেচতগী ৱিঠদ্রো তৌখিবদগী মহাক্কী মহুত্তা মশাগী চহী ১৯ খক্তা ঙাইরিবা সুমিট নাগালবু ইন্দিয়াগী স্কাদতা হাপচিনখ্রে।

পাঊগী সোর্স অমনা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না বোপান্নাগী অশোকপা অদু চয়োল অনী পোথাননবা মেদিকেল এদভাইস তৌবদগী শান্নবা য়াওদনবা ৱারেপ লৌখি। ইন্দিয়ান স্কাদকী সেলেক্সন কম্মিটিগী চেয়রমেন এস পি মিশ্রানা বোপান্নাগী মহুত্তা সুমিট নাগালবু ইন্দিয়ন স্কাদা হাপচিল্লে হায়না ফোঙদোকখি হায়রি।

মিশ্রানা হায়খি, স্পেনগা মায়োক্নদুনা শান্নগদৌরিবা মেচতা বোপান্না অমদি লীএন্দর পেস অনীনা জুরা শেমদুনা লম্বাশিংগা মায়োক্ননবা থৌরাং তৌরম্বনি। অদুবু প্লেয়র মশাদা অশোকপা লাকপনা ঐখোয়না নিংলম্বা অদু কায়রে। অদুবু তৌদবা য়াদবনা ঐখোয়না সুমিট নাগালবু টিমদা হাপচিনবনি। তেনখ্রবা মতম অসিদা ঐখোয়না অতোপ্পা প্লেয়র থিনবগী মতম লৈতে। ঐখোয়না মতম অসুক শাংবসি টিমদা সিঙ্গলস প্লেয়র অহুম থম্মনবগীদমক অকনবা মওংদা হোৎনদুনা লাকখিবনি। হৌজিক্তি কেপ্টেননা সুমিট নাগালবু শান্নহন্নবা খনখ্রে। মসি ঐখোয়গী অপাম্বসু ওইরে। ইন্দিয়াগী ওইনা দবলসতা সকেথ মৈনেনি অমদি লীএন্দর পেসনা জুরা শেমদুনা শান্নরগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

মমাঙগী দেভিস কপকী কেপ্টেন অসিনা হায়খি, করিগুম্বা টাই চথরিঙৈ মনুংদা প্লেয়র অশোকপা য়াওরক্লগদি খুদোংথীবা হায়বদু ওইগনি। মসিমক চান্দিগড়দা কোরিয়াগা মায়োক্নদুনা শান্নখিবা টাইদুদা থোকখি হায়না ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়া টিমদা হাপচিনখ্রবা নাগালনা হৌজিক ইটালিদা চথরিবা আই টি এফ ফ্যুচর ইভেন্টকীদমক মথৌ য়াম্না চিল্লি। ইভেন্ট অদুদা মহাক্না টোপ সীদ ওইরি। মহাক্না নিংথৌকাবা নুমিৎতা ইন্দিয়াগী স্কাদতা য়াওরগনি।

ইন্দিয়ন টিমগী কোচ জীশান অলিনা হায়খি মদুদি ইন্দিয়াগী টিম অসি ন্যু দেল্লিদা নোংমাইজিং নুমিৎতা পুনগনি অমদি ট্রেনিংনা নুংথিলদগী চথবা হৌগনি। লীএন্দর পেসনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা লাক্কনি হায়না জীশানা মখা তানা ফোঙদোকখি।

চৈরক অসিদা স্পেনগী টিমসু নিংথৌকাবা নুমিৎতা থুংলরগনি। টিম অসিদা য়াওরিবা প্লেয়রশিংদি রফেল নদাল, দেভিদ ফেরর, ফেলিসিয়ানো লোপেজ অমদি মার্ক লোপেজনি। ইন্দিয়া অমদি স্পেন অনীগী টাই অসি সেপ্টেম্বর ১৬ তগী ১৮ ফাওবা পাঙথোক্কনি।

# আর্চর পুজানা রেঙ্কিং রাউন্দদা ২৯শুবা তাহৌদুনা লৈহৌরে



রিও দি জানৈরো, সেপ্টেম্বর ১১ :
ইন্দিয়াগী আর্চর পুজানা মফম অসিদা চথরিবা পরালিম্পিক্স গেমসগী থাংজ নুমিৎতা পাঙথোকখিবা রিকর্ভআর্চরি ইভেন্টকী রেঙ্কিং রাউন্দদা পোইন্ট ৫১৩ খক্তমক ফংদুনা ২৯ শুবা পোজিসন তাখিবদগী গেমস অসিদগী মপান থোকখ্রে।

পুজানা ইভেন্ট অসিগী অহানবগী এরো তরুক ফাওবদি অপুনবা পোইন্ট ৪৭ ফংদুনা মায় পাক্না হৌদোকখি। মহাক্না অহানবগী এরো তরুক অদুদা পোইন্ট ৯, ৮, ৮, ৮, ৭ অমসুং ৭ ফংখি। অনীশুবা সেরিজদা ইন্দিয়ন অসিনা মশক থোকপা পার্ফোমেন্স পীখিদুনা পোইন্ট ১০, ৯, ৮, ৮, ৮ অমদি ৭ স্কোর তৌখিদুনা অপুনবা পোইন্ট ৫০ লৌখি। অদুবু অহুমশুবা সেরিজদদি মহাক্না সব-ষ্টেন্দার্দ ওইবা পার্ফোমেন্স পীখিদুনা পোইন্ট ৪৩ খক্তমক লৌখি। মহাক্না মদুদা পোইন্ট ৯, ৮, ৮, ৭, ৬ অমদি ৫ লৌখি। মহাক্না নিংবা কায়নিংঙাই ওইনা মরিশুবা সেরিজদা অমুকসু হন্না পোইন্ট ৪৫ খক্তমক লৌখি। মদুদা মহাক্না পোইন্ট ৯, ৯, ৭, ৭, ৭ অমদি ৬ লৌখি। মখা তানা মহাক্না মঙাশুবা অমদি তরুকশুবা সেরিজদসু য়ামখিদ্রবা পোইন্টশিং লৌখি।

মহাক্না মঙাশুবা সেরিজদা পোইন্ট ৯, ৭, ৭, ৭, ৬ অমদি ৫ পুন্না পোইন্ট ৪১ অমসুং তরুকশুবা সেরিজদা পোইন্ট ৯, ৮, ৮, ৭, ৬ অমদি ৬ পুন্না পোইন্ট ৪৪ লৌখি। মহাক্না অহানবা হাফফাওবা অপুনবা পোইন্ট ২৭০ স্কোর তৌখি।

অনীশুবা হাফতা মহাক্না অহানবা সেরিজদা পোইন্ট ৪৫ অমদি অনীশুবা সেরিজদা পোইন্ট ৪৯ লৌখি। অদুবু মহাক্না অহুমশুবা সেরিজদা পোইন্ট ৪৭ লৌখ্রবসু ক্বালিফাই ওইনবগী খুদোংচাবদি ফংবা ঙমখিদে। মরিশুবা সেরিজদা মহাক্না পোইন্ট ৪৪ স্কোর তৌখি। মদুদা মহাক্না পোইন্ট ১০ লৌবা ঙমখি। পুজানা মঙাশুবা অমদি অরোইবা সেরিজদা মথংশিংনা পোইন্ট ২৪ অমদি ২৯ লৌদুনা নিংবা কায়না লৈহৌখি।

অতোপ্পা গেমস অসিগী ইভেন্টতা নরেশ কুমার শর্ম্মনা মিটর ১০ গী এয়র রাইফল প্রোন শুটিং ইভেন্টকী ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা ৪৪শুবা পোজিসনদা লৈহৌখিদুনা টুর্ণামেন্টদগী মপান থোকখি।


শর্ম্মনা ওলেম্পিক শুটিং সেন্টরদা পাঙথোকখিবা ইভেন্ট অদুগী ক্বালিফাইয়িং রাউন্দদা পোইন্ট ৬০৬.৫ খক্তমক ফংদুনা ৪৪শুবা পোজিসনদা লৈহৌখি। মহাক্না ইভেন্ট অদুগী সেরিজ মরিগী অহানবদা পোইন্ট ১০০.৬ খক্তমক স্কোর তৌখি। সেকেন্দ সেরিজদা মহাক্না থোইদোকপা ফগৎপা পার্ফোমেন্স পীবা ঙমদনা পোইন্ট ১০১.৯ খক্তমক লৌখি। মহাক্না মদুদা অপুনবা পোইন্ট ২০২.৫ লৌখিদুনা অহানবগী সেরিজ অনী অদু লোইশিনখি। অহানবগী সেরিজ অনীদা অনেম্বা পার্ফোমেন্স পীখিবদগী কম্পিটিসনদগী মপান থোকখ্রবসু মহাক্না মহাক্কী অহুমশুবা অমদি মরিশুবা সেরিজদা মথংশিংনা পোইন্ট ৯৮.৬ অমদি ১০১.৪ খক্তমক লৌখি। স্লোভাকিয়াগী ভেরোনিকা ভাদোভিকোভানা অপুনবা পোইন্ট ৬৩৬.৭ লৌখিদুনা খ্বাইগী মকোক্তা লৈখি।

অমরোমদা, ইন্দিয়াগী নরেশ কুমার শর্ম্মনা শগোলশেল নুমিৎতা পাঙথোকখিবা রিও পরালিম্পিক্সকী নুপাগী মিটর ১০ গী এয়র রাইফল ষ্টেন্দিং এস ঐচ -১ গী ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা ২১ শুবা পোজিসন তাহৌদুনা টুর্ণামেন্ট অসিদগী মপান থোকখিবনি।

শর্ম্মনা ওলেম্পিক শুটিং রেঞ্জদা চথখিবা ইভেন্ট অদুগী সেরিজ মরি ফাওবদা পোইন্ট ৮৮৩ খক্তমক লৌবা ঙমখিদুনা মহাক্কী কেম্পেন লোইশিনখিবনি। মশাগী চহী ৪৪শুরবা শর্ম্মনা মহাক্কী অহানবা সেরিজদা ৯৮.১ খক্তমক কাপ্তুনা মহাক্কী কেম্পেন হৌদোকখি। মহাক্না অনীশুবদা ৯৫.৬, অহুমশুবদা ৯৯.২ অমদি মরিশুবদা ১০৩.৩ কাপখ্রবসু ফাইনেলগীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমদনা লৈহৌখি।

নিংশিংবা য়াই, ইন্দিয়াগী মারিয়াপ্পানা থাঙ্গাভেলুনা মফম অসিদা চথরিবা রিও পরালিম্পিক্সকী থাংজ নুমিৎতা পাঙথোকখিবা নুপাগী হায়জম্প টি-৪২ ইভেন্টতা গোল্ড মেদল লৌদুনা পুৱারী শেমখিবগা লোয়নননা ইভেন্ট অসিমক্তদা মহাক্কী কম্পেট্রিওট ভারুন সিংহ ভাটিনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখিবনি। নুপাগী হায়জম্প টি-৪২ ইভেন্ট অদুদা থাঙ্গাভেলুনা মিটর ১.৮৯ ৱাংনা চোংখিদুনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি। অদুগা ভারুন সিংহ ভাটিনা মহাক্কী খ্বাইদগী মশক থোক্না মিটর ১.৮৬ ৱাংনা চোংখিদুনা অহুমশুবা পোজিসন তাদুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি। য়ু এসগী সাম গ্রেৱেনা সিলভর মেদল লৌখি।

# বোক্সর সরিতা দেবী, জিম্নাষ্ট দিপা কর্মাকরনা পরালিম্পিক্সকী মেদলিষ্ট মারিয়াপ্পন অমদি ভারুন ভাটিদা থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে



ইম্ফাল/অগরটালা, সেপ্টেম্বর ১১ :
মমাঙগী ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন অমদি আর্জুনা এৱার্দ ৱিন্নর, বোক্সর লাইশ্রম সারিতা দেবী অমদি রিও ওলেম্পিক্সতা মরিশুবা পোজিসন তাহৌখিবী জিম্নাষ্ট দিপা কর্মাকরনা রিও পরালিম্পিক্স গেমসদা গোল্ড মেদল লৌরকখ্রবা মারিয়াপ্পান থাঙ্গাভেলু অমদি ব্রোঞ্জ মেদল লৌরকখ্রবা ভারুন ভাটিদা থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে।

এল সরিতানা হায়খি, অহানবদা ঐনা মারিয়াপ্পানবু থাগৎলি। ঐখোয়না তৌবা ঙমদবা অদু মহাক্না তৌখ্রে। ঐহাক মদুগীদমক চাউথোকচৈ। মহাক্কী হোৎনবা কন্নবা অদুনা ঐবুসু হোৎনহন্নিংবগী ঈথিল পীরে হায়না ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়খি, গভর্ণমেন্টনা ইন্দিয়াদা স্পোর্টস চাউখৎহন্নবগীদমক অকনবা মিৎয়েং চঙগদবনি হায়খি।

মারিয়াপ্পাননা পরালিম্পিক্স গেমসদা ইন্দিয়াগী অহানবা গোল্ড মেদল লৌবা পরা এথলেট ওইদুনা পুৱারী শেমখি। মহাক্না নুপাগী হায়জম্পকী টি ৪২ গী ফাইনেলদা গোল্ড মেদল লৌখিবনি।

রিও ওলেম্পিক্সতা মশক থোকপা পার্ফোমেন্স পীখিবা জিম্নাষ্ট দিপা কর্মাকরনা হায়খি, ঐনা ঙমদবা অদু মহাক্না তৌদুনা মায় পাকপা ঙমখি। ঐনা নখোয় অনীবু হকথেংননা উনবা পামই হায়না দিপা কর্মাকরনা হরাউ তয়াম্না ফোঙদোকখিবা ৱারোল অদুদা পনখি। দিপাগী কোচ বিশ্বেশ্বর নন্দিনা হায়, ইন্দিয়ন অমা ওইবগী চাউথোকহল্লে। নঙ (মারিয়াপ্পান অমদি ভাটি) না ঐখোয়বুসু চাউথোকহল্লে হায়না হায়খি।